

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, MAY 02, 2018 **PAGE 7**



*ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা লৈবাক অসিগী সিভিলিয়ান এৱার্দতা মরিশুবা থাক্তা লৈরিবা পদ্ম শ্রী পীননবা ফুটবোলগী লমদা রিকমেন্দ তৌখ্রবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙম্লিবা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রি*

*গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসতা মেডল ফংবগী আশাদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম মেডল অমত্তা ফংলকখিদ্রবা মতুং হান্নগী নুপাগী কোচ সিওর্দ মারিনেগী মহুৎ শিনগদৌরিবা হান্না নুপীগী কোচ ওইরম্বা হরেন্দ্র সিংহ*

## ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল শান্নরোইশিংনা সার্বিয়াদা পাঙথোক্কদবা লৈবাক মরিগী টুর্নামেন্ট শরুক য়াগদৌরি



*সার্ভিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রেন্দলিদা য়াওগদৌরিবা চহী ১৬ মখাগী ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম*

*ন্যু দিল্লি, মে ০১ঃ*

চহী অসিগী সেপ্তেম্বর থাদা মলেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৬ মখাগী এএফসি চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা শেম-শাবা ওইনা থা অসিদা সার্বিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক ৪গী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াগদৌরি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা টিম অসিবু ইন্টর্নেসনেল এক্সপোজর ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবনি। সার্বিয়াগী টুর অসি ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী টিম অসিনা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা হোং কোং না য়ুম্বু ওইরগা সিঙ্গাপোর য়াওবা জোকি কপ ইন্টর্নেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট শরুক য়াখি।

মদুদা মেটচ ৩মক মায়পাক্কুনা টাইটল লৌখি। অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা চাইনিজ টাইপৈবু পাঞ্জল ৪-০দা য়াম্না হেন্না থোইবা ঙমখি। অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা সিঙ্গাপোরবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখি। অদুগা ৩শুবা মেটচ অদুদনা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইখিবা হোং কোংবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়পাকখিবনি।

ইন্টর্নেসনেল এক্সপোজর অসিগী মনুং চনবা স্পেননা য়ুম্বু ওইরগা য়ুএসএ অমসুং নোর্ৱে য়াওনা স্পের্পার্টচেন ফ্রেন্দলিদা ইন্দিয়ানা য়াম্না কন্না লম্বা তৌরবা মতুং এপ্রিল ১৬ত্র অহানবা মেটচ য়ুএসএগী মখুত্তা ০-১দা মায়থিবা নংখি।

এপ্রিল ১৮দা নোর্ৱেগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-৩দা মায়থিখি। লোয়ননা এপ্রিল ১৯দা য়ুএসএগা অমুক শান্নবদা পাঞ্জল ০-১ মায়থিবা নংখি।

মখা তারকপা টুরগী মনুং চন্না সার্বিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা জোর্দান অমসুং টাজিকিস্টানগা ফ্রেন্দলি মেটচ ৩ শান্নগনি। ইন্দিয়ানা থা অসিগী ৯দা অহানবা মেটচ অদু জোর্দানগা শান্নগনি। অনীশুবা মেটচ অদুনা মে ১১দা সার্ভিয়াগা থেংনরগা অহুমশুবা মেটচ অদুনা টাজিকিস্টানগা শান্নগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী কোচ ওইরিবা বিবিয়ানোনা ফোঙদোরকপদা শান্নরোইশিং অসিনা মখোয়গী থৌনা অমদি স্কিলশিং অদুনা য়াম্না ফজনা উৎথোকপা ঙমখি।


য়ুএসএ অমসুং নোর্ৱে মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা য়াম্না শিংথাবা য়াবা টিম ঙাক্তনি। মখোয়গা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা লম্বা তৌনরকপা মতমদা লেং মান্ননা শান্নবা ঙমখি।

টিম অদুনা মায়পাকপা ঙমখিদ্রবসু মায়োক্নবা টিমশিংনা কা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিদে হায়না কোচ বিবিয়ানোনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়ানা সেপ্তেম্বর থাদা মলেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৬ মখাগী এএফসি চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা হেন্না অফবা পর্ফোমেন্স লৈননবা চাইনাগী টিমগা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নবা হায়রুবা অদু চাইনাগী ফুটবোল এসোসিএননা অয়াবা পীরক্তবনি।

মলেসিয়াগী চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম গ্রূপ 'সি'দা ইরান, ভিয়েটনাম অমসুং ইন্দোনিসিয়াগা পুন্না লম্বা তৌনগদৌরি।

## নিউ জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী রোহন-কুহু অমসুং সিভম-পুরভিসা মিক্স ডবলসকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে





*ইন্দিয়াগী শান্নরোই রোহন কাপুর (ওই) অমসুং কুহু গর্গনা নিউ জিলেন্দ ওপনগী মিক্স ডবলসকী অহানবা রাউন্দ শান্নবা*

*ওকলেন্দ, মে ০১ঃ*

নিউ জিলেন্দগী সিটি ওকলেন্দদা পাঙথোকপা নিউ জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মিক্স ডবলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রোহন কাপুর অমসুং কুহু গর্গ অমদি সিভম শর্ম্মা অমসুং এস রাম পুরভিসা মখোয়-মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ মায়পাক্কুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

রোহন কাপুর অমসুং কুহু গর্গনা মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী লম্বাদা ইজরেলগী পেয়র মিসা জিলবরমেন অমসুং সেনিয়া পোলিকার্পোভাবু মিনট ৪২ চঙনা শান্নরবা মতুং গেম ২-১দা মায়পাকপা ঙমখি।

অহানবা গেম অদু ইজরেলগী পেয়র অদুনা ২১-১১দা ইন্দিয়গী রোহন অমসুং কুহুবু থোইখি। অনীশুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা ফজবা হেল্লকপদগী ২১-৭তা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা ২১-১০দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি। মখোয় অনীনা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র ওইরিবা থাইলেন্দগী পুভারানুক্রো অমসুং টেরাটনচালগী পেয়রগা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং নিউ জিলেন্দগী পেয়র এ জেফ্রি অমসুং কে জুগা লম্বা তৌনরগনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র সিভম শর্ম্মা অমসুং পুরভিসা রামনা নিউ জিলেন্দগী পেয়র এন টেঙ্গল অমদি এফ এ রহারদিয়াগা লম্বা তৌনখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৯, ২১-১১দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌনবগীদমক মখোয় অনীনা সাউথ কোরিয়া পেয়র এম ঐচ কাঙ অমসুং ঐচ এন বেক অমদি মলেসিয়াগী পেয়র পি এস চান্দ অমসুং এল ৱাই গো অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোইশিং হয়েং অহানবা রাউন্দ শান্নগদৌরি। মখোয়গী মনুংদা মতম শাংনা শোক্তুনা লৈরুরবা মতুং শান্নরক্লিবা অজয় জয়ারাম, বি সাই প্রনিথ, সৌরভ ভর্মা অমসুং সমির ভর্মানি।

## ৱাটফোর্দপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থিবা পীদুনা টোটেনহাম হোটস্পর চেম্পিয়ন্স লীগ ক্বালিফাই ওইবগী লম্বেলদা চঙশিল্লি





*টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা ৱাটফোর্দকী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*লন্দন, মে ০১ঃ*

ইংলেন্দদা চথরিবা ইংলিস প্রেমির লীগকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ৱাটফোর্দপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসন্দা লৈদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ক্বালিফাই ওইবগী লম্বেলদা চঙশিল্লি।

লন্দনদা লৈবা ৱেমব্লি ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী ৱাটফোর্দগী হাল্ফতা বোল হেন্না পুশিনবা ঙমখি।

শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী দেলে আলিনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

ৱাটফোর্দকী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখিবা অদু টোটেনহাম হোটস্পরগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাক শেনখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ অদু লোইশিল্লকপদা ১-০ দা অদুমক হোটস্পরনা হেন্দুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর হেরি কেননা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৱাটফোর্দপু পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

নীংশিংবা মেটচ অসিগী মাঙওইননা টোটেনহাম হোটস্পর মেটচ ৩৪ শান্নবদা পোইন্ট ৬৮ ফংলগা মরিশুবা পোজিসনদা অদুমক লৈখিবনি। অমরোমদা ৱাটফোর্দ মেটচ ৩৫ শান্নবদা পোইন্ট ৩৮ ফংলগা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈখি।

তোঙান-তোঙানবা য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মকোক থোংবা লীগকী থাক ৱাংনা লৈবা টিমশিং মথংগী সিজনগী চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী সিজন ২০১৭-১৮ গী টাইটল লৌখ্রবা মেঞ্চেষ্টর অহানবা টিম ওইনা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। লীগ অসিদগী মকোক থোংবা টিম ৪ চেম্পিয়ন্স লীগ শান্নবা ঙমগদৌরিবনি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ পোইন্ট ৭৭তা অনীশুবদা লৈরি। লিভরপুলনা পোইন্ট ৭২ দা অহুমশুবদা লৈরি। অদুগা টোটেনহাম হোটস্পরনা ঙসিগী মেটচ অদুগী মাঙওইননা পোইন্ট ৬৮ দা মরিশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

হেরি কেনগী ৪৮শুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেটচগী লেমহৌবা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী হোটস্পরনা ৱাটফোর্দপু ২-০ দা থোইরগা পোইন্ট ৭১ দা হাইগৎতুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা লিভরপুলবু তানখৎপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি। হোটস্পর মেটচ ৩৫ শান্নরিবনি অদুগা লিভলপুরদি মেটচ ৩৬ শান্নখ্রবনি। ইংলিস প্রেমিয়র অসিগী টিম অমনা পুন্না মেটচ ৩৮ শান্নগদবনি।

স্পেনদা পাঙথোকপা লা লীগাগী ঙসি অঙনবা রিয়েল বেটিস অমসুং মালাগাগী লম্বাদা বেটিসনা পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল মালাগাগী য়ুসেফ এন নেসরিনা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা চনখি। ইকান কান্নদনা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী রিজা দুরমিসিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা লৈখি।

শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী মায়কৈদগী ফাবিয়াননা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মালাগাবু রিয়েল বেটিসনা ২-১ দা থোইখি।

লা লীগাগী টাইটল বার্সেলোনানা লৌখ্রবা মতুং অনীশুবা পোজিসনদা এটলেটিকো মাদ্রিদ পোইন্ট ৭৫, অহুমশুবদা রিয়েল মাদ্রিদ পোইন্ট ৭১, মরিশুবদা ভেলেন্সিয়াগী টিম পোইন্ট ৬৭ অমদি রিয়েল বেটিসকী টিম পোইন্ট ৫৯ ফংদুনা মঙাশুবদা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী টেষ্ট টিম্না মখা তানা আইসিসি ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা মকোক থোংদুনা চৎলি



*নিউ দেল্লি, মে ০১ঃ*

ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা পীবা টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবা লৈবাকশিংগী মকোক মথংগী পরীংদা ইন্দিয়ানা মখাতানা মকোক ওইদুনা অদুম্মক লৈবা ঙম্লি।

হন্দক্কী পরীং শেম্বগী মতাংদা কুমজা ২০১৪-২০১৫গী সিজনদা লৈখিবা ফলশিং য়াওখিদে। কুমজা ২০১৫-২০১৬ অমসুং ২০১৬-২০১৭কী সিজনদা লৈখিবা ফলশিং অদুতমক শিজিন্নবা মরম্না ইন্দিয়ানা মমাংদগী সাউথ আফ্রিকাদগী পোইন্ট ৩ হেন্দুনা লাকখিবা অদু হৌজিক পোইন্ট ১৩ হেন্দুনা লৈরি।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০১৪-২০১৫দা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখুত্তা মেটচ ০-২দা মায়থিখি। মদুগা মাঙওইননা ইংলেন্দগা শান্নখিবা সেরিজ অদুসু মেটচ ১-৩দা মায়থিবা নংখিবনি।

মদুগী মতুং কুমজা ২০১৬-২০১৭কী সিজনদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ ১৩ শান্নবগী মনুংদা মেটচ ১০ মায়পাক্কুনা য়াম্না ফজবা মওংদা রেঙ্কিং হায়গৎলকখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম্না পুন্না এগ্রিগেৎ পোইন্ট ১২৫ ফংলকখিবদা সাউথ আফ্রিকানা পোইন্ট ৫ হন্থরগা পোইন্ট ১১২দা লৈখিদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম পুন্না এগ্রিগেট পোইন্ট ১০৬ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। মখোয়না নিউ জিলেন্দদগী ৩শুবা পোজিসন অদু মুনবা ঙমখিবনি।

অহানবা পোজিসন তাখ্রবা ইন্দিয়াগী টিমনা য়ু এস দোল্লর ১,০০,০০০০গী শেলগী মনা ফংগদৌরি। সাউথ আফ্রিকাগী টিম্না য়ুএস দোল্লর ৫০০,০০০ ফংগদৌরি।

হন্দক্কী আইসিসিনা পীরিবা মকোক মথং তাবগী পরিং অসি চহী অসিগী এপ্রিল ৩ ফাওবগী মনুংদা লৈখিবা তোঙান তোঙানবা সেরিজগী রিজল্ট য়েংলগা চথখিবনি। নিউ জিলেন্দগী টিম ৪শুবদা , ইংলেন্দগী টিমনা ৫শুবা, শ্রি লঙ্কাগী টিম্না ৬শুবদা লৈরি। বংলাদেশকী টিম ৮শুবা পোজিসনদা লৈদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজদগী থাক অমা হেন্দুনা লৈরি।

## ৪শুবা নোর্থ ইষ্ট জিরিবাম মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ লৈশেম ক্লবনা পাঞ্জেল ক্লবপু মায়থিবা পীখ্রে



*ইম্ফাল, মে ০১ঃ*

সোরোক অতিংবী য়ুথ ক্লব, জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবামগী হিলঘাট মনিং লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা চথরিবা ৪শুবা নোর্থ-ইষ্ট জিরিবাম মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা মেটচতা লৈশেম ক্লব কমরঙ্গানা পাঞ্জেল ক্লব খুনৌবু পাঞ্জল ১৮-১৭ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হয়েং ১০শুবা মেটচতা সিনলোন ক্লব (এ), হিলঘাট অমদি য়ুনাইটেদ ক্লব, সোরোক অতিংবীগা শান্নরগনি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা লৈশেম ক্লব কমরঙ্গা অমদি পাঞ্জেল ক্লব খুনৌ কা শান্নখি। লৈশেম ক্লব কমরঙ্গানা তোচ ঙমদুনা মাইকৈ খনখি অদুগা পাঞ্জেল ক্লব খুনৌনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুবু অপীবা মতমদা লৈশেম ক্লব কমরঙ্গানা পাঞ্জেল ক্লব খুনৌবু পাঞ্জল ১৮-১৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অসি এম বিনোয় সিংহনা রেফরি ওইখি অদুগা টি ঐচ সন্তোস সিংহনা স্কোরর ওইখি।

হৌজিক চথরিবা কাং টুর্নামেন্ট অসি জিরিবামগী বিদ্যনগরদা লৈবা এল রঞ্জিৎকুমার সিংহনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপাবুং এল রুহিনিকুমার রোইগী মমিংদা কৎচবা টুর্নামেন্টনি।

## ইন্দিয়াগী রিজবিনা মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরে



*ন্যু দিল্লি, মে ০১ঃ*

ইন্টরনেসনেল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আইএসএসএফ) কী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থোরকপা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সুট্টর সাহজর রিজবিনা মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরে।

হন্দক্তা সাউথ কোরিয়াগী সিটি চাংৱোনদা পাঙথোকখিবা আইএসএসএফ ৱার্ল্ড কপ্তা সিলভর মেডল ফংখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা রিজবিগী অপুনবা রেট্টিং পোইন্ট অদু ১৬৫৪ লৈখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি চহী অসিগী মার্চ থাদা মেক্সিকোদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ্তা রিজবিনা ৱার্ল্ড রেকোর্দকী পোইন্ট অদু মান্নবা ঙম্বদা নত্তনা গোল্ড মেডল অদুসু ফংখিবনি।

নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা সুট্টর অদু পোইন্ট ১০৪৬ ফংলিবা রুশিয়াগী অর্টেম চরনোসোভনি। অদুগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরিবা সুট্টর অদুনা পোইন্ট ৮০৩ ফংলিবা জপানগী টোমোয়ুকি মাটসুদানি।

মমাঙদা ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডল ফংখ্রবা জিতু রাই ৬শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা নুপীগী কাঙলুপ্তা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমস গোল্ড ফংখিবী মনু ভাকর মরিশুবা পোজিসনদা হাইগৎলকপা ঙম্লি।